ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

চীংমৈরোংদা লৈবা মীতৈ খৃষ্টিয়ন চর্চ কাউন্সিল মণিপুর (এম সী সী এম)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা কাউন্সিল অসিগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম অমা

1st FOUNDATION DA
Meetei Christian Churches council
On 12th June 2020
Chingmeirong, Imphal

লামায় ৩

লোকদাউননা পুক্নিং ৱাখলদা পীরিবা চৈথেংশিং কোকহন্ননবা আই জি এ আর (সাউথ)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শৈরেং অমসুং ৱারেং চাংদম্নবদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখিবা

লামায় ৬

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মোরে পুলিস চেক-পোষ্টতা চ্যেক তৌবদা তোঙান-তোঙানবা পেকেট ৭০দা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৮৩৯গা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চ্যের লৌদুনা সী এম সেক্রেটেরিয়টতা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯গী ষ্টেট লেভেল টাস্ক ফোর্সকী মীফমদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিং

লামায় ১

Vol. 44, Issue No.078 থাংজ, ইঙাগী ২৩নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Saturday, June 13, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা পুরকপা অনৌবা ৱানোম্বগী লায়না মখল অমা মণিপুরদা থোরক্লে

ক্বারন্টিনদা লৈরিবা মীওইশিং টেষ্ট তৌবদা অহান-অকোন থুগায়রগা শক-মায় য়েংনদুনা তৌরব্রা?

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা পুরকপা অনৌবা ৱানোম্বগী লায়না মখল অমা মণিপুরদা থোরক্লে। তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী হল্লক্লগা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনেল, কম্যুনিটি অমদি পেদ ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল লৌখিবগী অহান-অকোন থুগায়রগা শক-মায় য়েংনদুনা তৌরব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া হংনরক্লে।

ইন্সটিট্যুসনেল, কম্যুনিটি অমদি পেদ ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরকখিবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবগী রিপোর্ট অমদি দিসচার্জ সর্টিফিকেট থেংনা ফংবদা খূদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লরে হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াদা লৈরিবা মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, মপান্দগী নোংমতদা হনমিন্নরক্তুনা তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈনরি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌননবা সেম্পলশিংসু লৌখি। অদুবু চপ মান্নবা নুমীৎতা তোঙান-তোঙানবা সেন্টরদগী লৌখিবা সেম্পলশিং অদুগী রিজল্টতি নোংমতদা পূন্না লাকপগী মতৌ উদে। সেম্পল লৌখিবা নুমীৎ ৭/৮নি হেঞ্জিল্লক্লবসু রিজল্ট লাক্তবা কয়া য়াওরি। অদুগা নৌনা লাক্লগা সেম্পল লৌখিবা কুইদ্রিবা মীওই খরগীদি রিজল্ট হান্না লাকপগী পাউসু তানরি। মসিমক্লা তাকপদি কোভিদ-১৯গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবগী থবক্তা মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শক-মায় য়েংলগা অচান-মীরাই নাইনা থবক পায়খৎলব্রা হায়বসি চিংনবা পোক্লে। মপান্দগী হল্লকপা মীওই কয়াগী হান্না লৌখিবা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌদ্রিঙৈদা নৌনা লাকপশিংগী টেষ্ট তৌহন্ননবা অঙম-অথৌশিংনা খূৎ থিংজিন্নরে হায়বগী ৱাফমশিং ক্বারন্টিনদা লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা ঙাংনরক্লি। থৌওং অসি অচূম্বা ওইরবদি লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। সেম্পল লৌখ্রবসু টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট পীরকপদা নুমীৎ মশীং য়াম্না চঙবা, রিজল্ট লাকপদা নেগেটিভ ওইরবসু দিসচার্জ সর্টিফিকেট পীবদা নুমীৎ খরনি অমুক চঙবনা নুমীৎ ১৪নি ক্বারন্টিন তৌবগী মতম হেন্দোক্লবা ফাওবদা দিসচার্জ তৌবীদবা য়াওবনা মীওই কয়াদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা অদুম্মক লৈনরি। মসিনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওই কয়া সাইকোলোজিকেল্লি অমদি ফিজেকেল্লি অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়নসু তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওই কয়ানা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা নোংমা কাংদনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা অসিনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংদসু মিপাইবা পোকপগী চাং হেনগৎহল্লক্লি। ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা লৈমিন্নবা মীওই কয়া পূন্না-পূন্না পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপা অসিনা টেষ্ট তৌনবগীদমক সেম্পল লৌখ্রগা রিজল্ট ঙাইদুনা নুমীৎ কয়ানি লৈরিঙৈদা লায়না অসি শন্দোক্তুনা লৌনরব্রা হায়বগী চিংনবসু চাউনা লৈরে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

কোরোনাভাইরস : কেস মশীং ৪০০ হেনখ্রে

য়ুনাকো স্কুলদা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টর মথৌ পাঙথোকপা হৌদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিং লায়েংবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা মীওই ৪০ নৌনা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী অপূনবা কেস মশীং ৪০০ হেনখ্রে।

রিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭ অমসুং জেনিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা মীওই ২ পূন্না মীওই ১৯ ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই ১৭ অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী ১, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী ১, নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ২, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী ৪ অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী ৯নি। মীওইশিং অসি ইম্ফালদা হাংবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমখ্রে অমদি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

জেনিমসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং অথেংবদা জেনিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিংগী মনুংদা মীওই ২১ অমসু পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা থেংনখিবা কেস ১৯ অমদি ঙসি থেংনখিবা কেস ২০ অসি থারগা অনৌবা কেস ৪০ হেনগৎলকপদগী মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং অসি ৪০৬ শুখ্রে। হৌজিক-হৌজিক এক্তিভ ওইরিবা কেস মশীংনা ৩৩৩নি। অদুগা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী নাদুনা লায়েংলক্লগা ফগৎলকখিবা কেস মশীংনা ৭৩নি হায়রি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.৩০ দগী ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ ফাওবদা পূন্না সেম্পল ১,৬৭২ টেষ্ট তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট তৌখিবা অপূনবা সেম্পলনা ২২,২০২ শুখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

নিংথৌকাবা নুমীৎতা ঐচ এস এল সী এগজামগী ফল লাউথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস) : বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামিনেসনগী ফল জুন ১৫দা লাউথোক্লগনি হায়না বোর্দ অসিগী সেক্রেটরি ডা. চিথুং মেরি থোমাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বোসেমগী নোটিশ বোর্দতা এগজামগী ফল থেৎলরোই। অকুপ্পা ৱারোল পুম্নমক জুন ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌনা বোর্দকী ওফিসল ৱেবসাইট www.bosem.in অমসুং www.manresults.nic.in দগী খঙবা য়াগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা মরম্না এগজামগী ফল লাউথোকপা নুমীৎতা হান্নগী মতৌগুম পাউগী মীফম পাঙথোক্লরোই হায়রি।

রিমস ৩৯শুবদা লৈরে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মেদিকেল কোলেজ ৫৪০ হেনবগী মনুংদা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), ইম্ফালনা ৩৯ শুবদা লৈরে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা ফোঙখিবা নেসনল ইনষ্টিট্যুসনল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক (এন আই আর এফ)তা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মেদিকেল কোলেজশিংগী মনুংদা রিমসনা ৩৯শুবদা য়াওরকখিবনি। ন্যু দিল্লিগী এইমস, চান্দিগরগী পি জি আই অমসুং ভেল্লরগী সী এম সীনা মকোক-মথং তারে। হন্দক্তা ইন্দিয়াগী মফম খরদা হাংদোকখিবা এইমস য়াওনা মমিং লৈরবা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট কয়া নমথরল্লগা রিমসনা খ্বাইদগী ফবা মেদিকেল কোলেজ ৪০ গী মনুং চনবা ঙম্লকপসি চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: Quarantine centre da leiriba meeoisingda aranba mityengna yengbibagi thouong chattharaklibasi kokhanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Validity loiraba garigi chechang pumnamak september 30 faoba chatnahannabagi thourang achumba khongthangni haina loubra?

Yes 84% No 16%

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৯২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৫২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৮.৩৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!


- বাজি ঐবু লাইরিক তমহন্দ্রিবা করিগীনো?
- ꯕꯥꯖꯤ ꯑꯩꯕꯨ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯇꯝꯍꯟꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ?
- হায়, হয়েংৱাই নঙনা থবক তৌরমদাই য়োন্নবা লৌ লৈতে অদুগীনি...!
- ꯍꯥꯏ, ꯍꯌꯦꯡꯋꯥꯏ ꯅꯪꯅ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯔꯃꯗꯥꯏ ꯌꯣꯟꯅꯕ ꯂꯧ ꯂꯩꯇꯦ ꯑꯗꯨꯒꯤꯅꯤ...!

লোকদাউনগী মতাংদা ঙসি কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মীফম্না ৱারেপ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস): লোকদাউন কনশিনবা নৎত্রগা চৎনগদবা কাঙলোনশিংগী মতাংদা হয়েং ফমগদবা কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মীফম্না ৱারেপ লৌগদৌরি। ষ্টেট লেভেল টাস্ক ফোর্সকী মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা হীরম কয়াদা খন্নখ্রে। কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী অচৌবা মেছিন ২ থুংলরগনি।

ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চ্যের লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টতা ষ্টেট লেভেল টাস্ক ফোর্সকী মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদু লোইরবা তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবগী চাং অসি ৱাংখৎহনবা তঙাইফদবা লৈ। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসিগী টাস্ক ফোর্স মীটিংদসু পুথোক্তুনা খন্নখ্রে। টাস্ক ফোর্স অসিদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওরি। মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই লিশিং ২৮ হেন্না থুংলখ্রে। ক্বারন্টিন সেন্টরদা মীওই কয়া অমা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট তৌবগী থবক চথুরকপসিদা মীওই লিশিং ১২ রোমদি রিজল্ট পীরগা হন্নখিবা য়াওখ্রে। পেন্দিংদা লৈবা কয়া অমসু লৈরি। মখা তানা টেষ্টকী চাং অসি নোংমদা য়াম্না তৌদুনা অথুবদা রিজল্ট খঙবগী তঙাইফদবা লাক্লি। অনৌবা টেষ্টিং মেছিন অনী অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা ফাওবগী মনুংদা য়ৌরক্লবা য়াই। মেছিন অনী অসি য়ৌরক্লবদি টেষ্ট নোংমদা মশিং য়াম্না তৌবা ঙম্লগনি হায়নসু মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মপান লমদা হৌজিক মণিপুরগী মীওই কয়া অমসু পন্দুনা লৈরি। হান্না লাকখ্রবশিং অসি টেষ্টনচিংবা নীংথিনা তৌদুনা চপ চাবা থবকশিং পায়খৎলবা মতুংদা মখা তানা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবশিংগীদমক মীৎয়েং থমগনি। হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা মীওই কয়ানা মণিপুরদা হন্নিংবগী অপান্বা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

হয়েং কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা লোকদাউন কনশিনবা নৎত্রগা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

ক্বারন্টিন সেন্টরদা অমাঙ-অতা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৬ ফাগৎতুনা জেলগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস) : এস কে ৱিমেন কোলেজ, নম্বোলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা ইনমেট খরনা চৎনকাঙলোন ঙাক্তনা ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নরগা সেন্টর অসিগী ভলন্টিয়র অমদি পুলিসকা মুক্নবগা লোয়ননা পোৎচৈ কয়া অমাঙ-অতা থোকহনবদা চেন্নবনি হায়বা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবা মীওই তরুক পুলিসনা ফাগৎখিবগা লোয়ননা জুদিসল কষ্টদিদা নুমীৎ ১৫নি জেলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থাজিনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসরশিংনা পি পি ঈ শীজিন্নদুনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্না ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা মীওই তরুক অদু লৌখৎতুনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্তাংদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসকী মাংদা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ ১৫নিগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দদা মীওইশিং অদু শজিৱা জেলগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থাজিনখিবনি হায়রি।

ৱাথোক-লান্থোক ওইনরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা নম্বোল এ সীগী এম এল এ, এন লোকেননা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি প্রিয়াদর্শিনী, এদিসনেল এস পি, পি শিবকান্তা, এস দি ও নম্বোল, সী ঐচ বোবো, নম্বোল এরিয়াদা লৈবা মৈরা পায়বী অমদি ক্লব, ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টর অদু য়েংশিনখি।

য়েংশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ লোকেননা ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা হায়খি, মফম অসি পিক্নিক সেন্টর নত্তে। সেন্টর অসিদা নুপী ৩১ অমদি নুপা ১০৩ পুন্না ১৩৪ লৈরি। নম্বোল এ সী অসিগী মনুংদা সেন্টর ৩ হাংদুনা মপান লমদা লৈখিবা মীওইশিং পুরক্লগা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ঈ-ওফিস হাংদোক্লবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ১২ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পুম্নমক্তা ঈ-ওফিস হাংদোক্লবা খঙহনখ্রে। নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর পুম্নমক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱেবিনার অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঈ-ওফিসকী থৌরাং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী 'মিনিমম গভর্ণমেন্ট, মেক্সিমম গভর্ণান্স' হায়বা মঙলান মঙফাওনহল্লগনি হায়না পল্লদুনা জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ৫৫দা ঈ-ওফিসকী প্রোজেক্ট পায়খৎপা হৌরে। ষ্টেট পুম্নমক্তা সিভিল সেক্রেটেরিয়টতগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্টকী থাক ফাওবদা ঈ-ওফিসকী পান্দম মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা টেক্নিকেল অমদি শেল-থুমগী ওইবা তেংবাং পুম্নমক সেন্টরনা পীগনি। ঈ-ওফিসকী প্রোজেক্ট মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা দোনর সেক্রেটরিনা চ্যেরমেন ওইবা জোইন্ট ষ্টিয়ারিং কম্মিটি অমা শেল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ঈ-ওফিস লৈহন্নবগী মতাংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

প্রাইম মিনিষ্টরনা জুন ১৬, ১৭তা চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ১২, (এজেন্সী) : জুন ১৬ অমসুং ১৭তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং লাখ ৩ হেনখিবগা লোয়ননা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা মালেমগী মরিশুবা লৈবাক ওইরকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিং কাংলুপ অনী থোক্না খাইদোক্লগা জুন ১৬ অমসুং ১৭তা তোঙান-তোঙান্না ৱারী শান্নগদৌরি।

জুন ১৬কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর, পঞ্জাব, অসাম, কেরলা, উট্টরখন্দ, ঝরখন্দ, ছটিসগর, ত্রিপুরা, হিমাচল প্রদেশ, চান্দিগর, গোৱা, নাগালেন্দ, লদাখ, পুদুচেরি, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘলয়া, মিজোরাম, অন্দমান এন্দ নিকোভর আইলেন্দ, দাদর এন্দ নাগর হবেল, দামন এন্দ দিয়ু, সিক্কিম অমদি লক্ষদিপকী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শান্নগনি।

মথং নুমিৎকী পুংফম অসিমক্তদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহারাষ্ট্র, টামিল নাদু,

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

লুখোসৈ জৌ সরেন্দর তৌরকপদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দদা জেল থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮গী জুন ২০দা নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যের্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী হিরোইন নম্বর ফোর, এম্ফেটামাইন টেব্লেট কিলোগ্রাম ২৮ অমসুং নোংমৈ য়াওনা য়াল্লবা শেলশিংগা কোন্ননা ফাগৎখিবা কেসকী এক্যুজ অমা ওইরিবা হান্নগী চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী)গী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌ কোর্টতা সরেন্দর তৌরকপদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দদা জেল থাজিনখ্রে।

মোরে ৱার্দ নম্বর-২দগী হৌজিক্লা লম্ফেলগী ভি আই পি ক্বার্টরদা লৈরখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়স শেসৈ জৌ (৫১), অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌগী মমাং থাগী ২১দা মেদিকেল গ্রাউন্দদা পীখিবা ইন্টরিম বেলগী মতম লোয়রদুনা ঙসি কোর্টতা সরেন্দর তৌরখি।

স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), লম্ফেলদা ঙসি মহাক মশা লাক্তুনা মহাকপু কোর্টতা এপিয়র তৌবা অমসুং সরেন্দর তৌবদা অয়াবা পীবীনবা প্রেয়র তৌরদুনা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌরখি। মহাক্কী এপ্লিকেসন অসি ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর- ১০৭ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্টনা এপ্লিকেসন অসি দিস্পোজ তৌনবগী লৌখৎখিবা প্রোসিদিংদা এপ্লিকান্ট লুখোসৈ জৌ মশাগী অমসুং মহাক্কী দিফেন্স কাউন্সেল টি ঐচ তোলপিশকনা তৌরকপা সবমিসনশিং কোর্টনা তাখি।

ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা মহাকপু মমাং থাগী ২১দা ইন্টরিম বেল পীবগা মহাক ইম্ফালগী খৃষ্টান হোস্পিটালগী আউট পেসেন্ট অমা ওইনা এটেন্দ তৌখি। ডোক্টরশিংনা মহাক্কী হেল্থ কন্দিসন এগজামিনেসন তৌরগা পীরকপা এদভাইসতগী মহাক হোস্পিটাল অসিদা থা অসিগী ২দা এদমিট তৌখি। মহাক থা অসিগী ৪দা কোলেসিষ্টেকটোমী তৌরগা থা অসিগী ৮দা মহাকপু চ্যেক-অপকীদমক হয়েং (জুন ১৩, ২০২০)দা হোস্পিটাল অসিদা লাক্লবা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা থা ১ বেদ-রেষ্ট তৌনবা এদভাইস পীরকখি হায়রি।

সবমিসনশিং অসিগী মায়োক্তা কোর্ট অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী চ্যেক-অপ অমসুং বেদ-রেষ্টকী মতাংদদি জেল কমপ্লেক্সতা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মীপুম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পবা কেম্প্যেন সী এমনা হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম তিনবা মফমদা থোরকপা মতমদা মীপূম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পনবা কেম্প্যেন ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখ্রে।

মীপূম খূদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পনবা কেম্প্যেন হৌদোকপগী সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা বি সেফ ফ্রোম কোভিদ-১৯ : নো ফেস মাস্ক, নো এন্ট্রি প্লিজ হায়না থাবা পোষ্টর অমসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবু, দি জি পি, এল এম খৌতে অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের)না থোকখিবা ওর্দর অমনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা লৈঙাক্কী লোয়শঙ পুম্নমক্তা থবক তৌরিবশিং অমদি অরাকপা মীওই খূদিংমক ফেস মাস্ক উপকদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

ফেস মাস্ক উপ্পনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী সাইন্টিফিক ওইবা খুদম চাংদম কয়ামরুম ফংলে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অয়াম্বা লায়ওং উৎথোরক্তবা মরম্না অনাবা মীওইশিং মফম অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা উনবা য়াই।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

ꯆꯤꯂꯤꯅ ꯑꯅꯧꯕ ꯃꯁꯤꯟ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯦ

CHILLI LAUNCHES

"KILLER 100" BLUE RAY DISINFECTION MACHINE

AUTHORIZED DISTRIBUTOR:
RIDDHI SIDDHI ASSOCIATES,THANGAL BAZAR,
NEAR AXIS BANK,
IMPHAL,MANIPUR,795001
CONTACT: 7892145418, 7005112705

HL-B/6210/13/6-12/7

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুন ৩০ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/3-14

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫